ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

লামায় ৬

ককচীং ৱাইরি পঞ্জাও পল্লুমদা লৈবা খা মণিপুর কোলেজগী কেম্পসতা এম এল এ এম রামেশ্বরনা ইমা হোস্পিটালগী কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোকপা

থবক্তা চিলহাউ থিদ্রবদি শোয়দনা চাওখৎপা মায়কৈরোমদা পুরকপা ঙমগনি
☛ লামায় ২

ইমা কৈথেল অমসুং অকোয়বদা সিটি পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি
☛ লামায় ৩

১৩০শুবা পুখ্রম্বা কাজাও নীংশিং থৌরম পাক শন্না পাঙথোকপা য়ারোইদৌরি
☛ লামায় ৫

মতম চানা টেষ্ট তৌহৌরবদি পাক শন্না শন্দোরক্কদবদগী কনবা ঙমগনি
☛ লামায় ৬

ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেকমাই এ সীগী মনুং চনবা মফম অনীদা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ মোবাইল টেষ্টিংকী থৌরম

Vol. 45, Issue No. 049 | থাংজ, কালেনগী মরিনী পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, May 15, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

অইবা ধজমনি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

রাইটরস ক্লব মণিপুর, নম্বোলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা শক্লাইরবা অইবা খোইনাইজম ধজমনি থা অসিগী ১১দা লৈখিদবদা ঙসি ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট রাজেন সরাংথেমনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা শক্লাইরবা অইবা কেশো ইরেংবম্মা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদসু ক্লব অসিনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফমনা খন্নবীয়ু

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্লরক্তুনা মসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবা অমসুং কয়া অমনা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কূপ্না খন্নবীয়ু হায়না লমদিং খুমন্থেম লৈকায়গী (লেৱা) লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা অপীল তৌরক্লি।

পেট্রোল ১সুং দিজলগী মমল হন্থহল্লু

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

হৌজিক কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মায়োক্লবদগী খম থেংনা ৱারবা মীয়ামদা রবি লৌরোক লোইরকপদগী খরিফ লৌরোক্কীদমক শেম শাবা হৌনরক্লবা তাঞ্জা অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজল থাওগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎহল্লকপবু কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা থাওশিং অসি মমল হন্থহল্লু হায়দুনা দিমান্দ তৌরক্লি।

এস ও পি ঙাক্তনা শান্নরম্বশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা কোংপালগী য়াঙ্গোই নিংথৌ কম্যুনিতি হোলদা এস ও পি ঙাক্তনা বেদমিন্টন শান্নরম্বা মীওই ৭ পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.০২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১১.২৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১২.৩৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Covid vaccine kaplaba matungdasu positive oirakpa yao-e hairagasu meepum tingna hidak kapthokpana achumba khongthang oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Chahi 18dagi 44 faobagi meeoising pak sanna hidak kappa houdribasi houjik faoba hidak thungladabadagi oigadra?

Yes 90% No 10%

অস! লোইরেহে!

- ইপানা পাউ হায়বা ইনাক খুন্নবা লাইরিক্তু পারব্রা?

- [illegible]



- সিদি বাজি! দিমান্দ লেট্টর পীশিনবা, পর্সেন্টেজ ককপা, ঠিকা, সপ্লাইগীদি য়াওদেনে।

- [illegible]

পোজিটিভ কেস মশীং খংহেন হেনগৎলক্তুনা ৭২৬ থেংনখ্রে, মীওই ১৬ শিহনখ্রে

ঙরাংগী ওইনা মণিপুরনা দেল্লীদগী পোজিটিভ কেসকী চাং হেনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

ঙসিগী ওইনা লৈবাক অসিগী কোনুং ওইদুনা মী খ্বাইদগী চিনবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা দেল্লীদা থেংনখিবা মফম অদুগী চাদা ১২খক্তমক ওইখিবা পোজিটিভ কেসশিংগী চাংদগী মণিপুরগী ওইনদি চাদা ২২দগী হেনগৎলক্তুনা ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরকপদগী এপ্রিল ২৭, ২০২১দা পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং শুপ্পতগী ১৭৫ খক্তং থেংনখিবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদা মীওই ৩ খক্তমক শিখিবদু হায়রিবা নুমিৎ অদুদগী লেপ্তনা লায়না অসিগী খুদোংথীবা মায়োক্লবা হেনগৎলকখিবদগী ঙসিগী ওইনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পোজিটিভ কেস ৭২৬ থেংনখ্রে। অদুগা মীওই ১৬কী পুন্সি মাঙহনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুংথিল থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৭২৬ থেংনখিবা অসিগী মনুংদা ৭১৬না জেনরেল পোপ্যুলেসনদগীনি অদুগা লেমহৌরিবা কেস ১০না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি হায়রি। অপূনবা মশীং অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ওক্সিজেন ৱাৎপদগী রাজ মেদিসিটিদা পেসেন্টশিং লৌররোই

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং হেনগৎলকপা অমসুং মেদিকেল ওক্সিজেন ৱাৎপনা মরম ওইরদুনা ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈরিবা রাজ মেদিসিটিদা নন-কোভিদ অমসুং কোভিদ পেসেন্টশিং এদমিসন তৌবগী থবক মখা তাবা নোটিশ অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবা খুদক্তগী লেপ্পগনি হায়রি।

ৱাফম অসি রাজ মেদিসিটিগী ইন-চার্জ (মেদিকেল সুপরিন্টেন্দন্ট) ডা. এন জি নরেন্দ্রনা ঙসি থোকখিবা নোটিশ অমনা লায়েংশঙ অসিগী কন্সলটেন্ট অমসুং আর এম ও পুম্নমক্তা খঙহনখিবনি। অদুম ওইনমক ফর্ষ্ট এইদ পীনবগীদমক রাজ মেদিসিটিগী কেজুএলিটি অমসুং ইমর্জেন্সি সর্ভিসতি মহৌশাগুম লৈখিগনি হায়রি।

এন আই এনা য়ু জি অমা ফারগা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৪ (এজেন্সী):

হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী নবেম্বর ১৫দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চামোল অমসুং শজিক তম্পাক অনীগী লোন্নবা লম্বীদা ৪শুবা অসাম রাইফলসকী আর ও পি পার্টি অমদা এম্বুশ তৌদুনা পর্সনেল অমা শিহনখিবা অমসুং অতৈনা শোকহনখিবা থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়দুনা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না চার্জ তৌবা আর পি এফ/পি এল এগী লেফটিনেন্টনি হায়বা ককচীং খুনৌ অঙোম লৈকায়দগী ময়াংলম্বম সিরোমোনি কৌবা য়ু জি অমা ফারগা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ মঙানিগী ওইনা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা থৌদোক অদুগী মতাংদা চাকপীকারোং পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর ৩(১১)২০১৭ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু কেস অদু এন আই এনা মার্চ ২৯, ২০১৮দা লৌশিন্দুনা অমুক হন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌবনি হায়রি।

ফারবা মীওই অসি লালহৌলূপ অসিগী ম্যান্মারদা বেজ তৌবা ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়নগী এক্টিভ মেম্বরনি হায়রি। অদুম ওইনমক এন আই এনা কেস অসিগী মতাংদা থিজিল্লবা মতুংদা মীওই অসিবু ফাবা ফংদ্রিঙৈগী চৈরক্তা কেস অসিগী ইভিদেন্সশিংদা য়ুম্ফম ওইরদুনা মহাক্কী মথক্তা চার্জশীট ফ্রেম তৌখ্রবনি হায়রি।

লোয়ননা মীওই অসিবু ফানবগীদমক পাউ পীবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ২গী রিৱার্দ পীগনি হায়নসু লাউথোকখ্রবনি হায়রি।

ইরেন্দ্রো অমসুং কিশোরচন্দ্র পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা শিজ হোস্পিটালদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্র হেক লৈখিদবগা পন্থদনা মশা মশাগী ফেসবুক একাউন্টশিংদা করেম্নবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অপলোদ তৌরকপগী মায়োক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা তোঙান তোঙানবা কেস অনীগা মরী লৈননা ঙরাং নুমিদাংমক ফাগৎখিবা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী লৈচোম্বম ইরেন্দ্রো (৪০) অপোকপা এল রঘুমনি অমসুং কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্তগী ৱাংখেমচা কিশোরচন্দ্র (৪১) এলিয়জ ৱাংথোই অপোকপা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু বিরেন্দ্র পুলিসনা ঙসি দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটতগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে। মখোয় অনীবু ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মরোল থোকপা লাই/ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



মে ১৭তগী চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মীওইশিং হীদাক কাপ্লগনি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা পীখিবা ভিদিও মেসেজ অমদা মশাগী চহী ১৮দগীনা ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই কাঙলূপশিংগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক থা অসিগী ১৭ (নিংথৌকাবা) নুমিৎতগী হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা পীখিবা পাউজেল অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়রিবা চহী কাঙলূপ অসিগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা ভেক্সিনেসন তৌনবগীদমক ভেক্সিন দোজ ৩৯,০০০ য়ৌরক্তুনা লৈরে হায়রি। মরম অসিনা চহী কাঙলূপ অসিগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা হীদাক কাপথোক্লবগীদমক মখোয় মশা মশানা www.cowin.gov.in নৎত্রগা Arogya Setu App নৎত্রগনা UMANG App তা মখোয় মশা মশাগী হীদাক কাপকদবা মতমশিং মখোয়গী টেলিফোনদা খঙনবগীদমক রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবনি হায়রি।

মীয়ামদা মখা তানা লাউথোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯গী ত্রিটমেন্ট/দ্যুটিদা হকথেংননা শরুক য়ারিবা ডাক্টরশিং, নর্সশিং অমসুং অতৈ পর্সনেলশিংদা মথংশিংনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা লুপা ৫০০, ৪০০ অমসুং লুপা ১৫০গী ইন্সেন্টিভশিং পীরগনি হায়নসু লাউথোকখি। লোয়ননা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী মফম অসিদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং পুশিল্লকপা দ্রাইভর অমসুং হেন্দলমেনশিংবুসু ত্রিপ অমমমগী ওইনা মথংশিংনা লুপা লিশীং ১ অমসুং লুপা ৫০০গী ইন্সেন্সিভশিংসু পীরগনি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিবু মায়োক্লনবগীদমক মথৌ তারিবা ম্যেন পৱারগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা ম্যেন পৱারগী অৱাৎপশিং মেনখৎনবগীদমক অনৌবা ডাক্টর ২৩০ অমসুং নর্স ১৭৮ কন্ট্রেক্ট বেসিসতা এনগেজ তৌরে। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু অথুবা মতমদা অহেনবা এম্বুলেন্সশিং পীরগনি হায়খি।

লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট টেক্লিকেল এক্সপার্ট কম্মিটিনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংনা আইভর্মেকটিন টেব্লেটশিং শীজিন্নবদসু অয়াবা পীরে। হায়রিবা মেদিসিন অসি কোভিদ-১৯গী ফর্ষ্ট ৱেভ মায়োক্লখিবা মতমদসু ডাক্টরশিংনা প্রেস্ক্রাইব তৌখিবা হীদাকনি হায়রি।

হৌজিক আইভর্মেকটিন টেব্লেটশিং অসিগা লোয়ননা ভিটামিন সী, জিঙ্ক, দি থ্রী টেব্লেটশিং অমসুং পলস ওক্সিমিটরশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা পেসেন্টশিংদা লেম্না ফংহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ওক্সিজেন সিলিন্দর লৈবশিংনা লৈঙাক্তা দোনেট তৌবীয়ু

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

হোস্পিটালশিংদা চথরিবা কোভিদ-১৯গী ত্রিটমেন্টশিংদা মেদিকেল ওক্সিজেনগী দিমান্দ হেন্না তৌরক্লিবা অসিগীদমক য়েংবীদুনা কন্নাগুম্বশিংনা মশাগী য়ুম-য়ুমদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং লৈরবদি মদুবু লৈঙাক্তা দোনেট তৌবীয়ু। দোনেট তৌরকখিবা সিলিন্দরশিং লৈঙাক্লা পেন্দমিক অসি লোইরবা মতুংদা মসিগী মপুশিংদা হন্দোরক্কনি।

ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি মীয়ামদা ভিদিওগী খুত্থাংদা পীখিবা পাউজেল অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না পেন্দমিক অসি মায় পাক্না লাকশিন্নবগীদমক মথৌ তাবা থৌরাংশিং অমসুং পাঙ্গলশিং পুথোক্তুনা গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি হায়রদুনা মসিদা মীয়াম্না মীপাইবীগনু হায়নসু অপীল তৌখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

হায় কোর্টনা হিন্দি মেত্রিক্যুলেট টিচর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইরাংগী পোন্বীখোক্তা লৈবা পোন্বীখোক গভর্ণমেন্ট এদেদ জুনিয়র হায় স্কুলদা অন্দর গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা এনগেজ তৌরকখিবা মীওই অমবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা স্কুল অসিগী কম্মিটি নৎত্রগা হেদ মাষ্টরদগী এমপ্লোয়ীশিংগী রিভাইস লিষ্ট ফংলবা মতুংদা দিরেক্টর (এদ্যুকেসন-এস) নৎত্রগা মহাক্কী সবোর্দিনেট ওফিসরশিংনা মীওই অসিবু কোন্সোলিদেটেদ লিষ্টতা মহাক্কী মমিং য়াওহনবগা লোয়ননা কোর্টনা পীরিবা ওর্দর অসি ফংলবা মতুং থা অমগী মনুংদা মহাকপু মেত্রিক্যুলেট হিন্দি টিচর ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দি পি সী হেক পাঙথোকপগা এপোইন্টমেন্ট পীবিনবা খঙহনখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি থা অসিগী ১০দা কোর্ট অসিগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিননা পীখিবনি। অদুগা কোর্টকী ওর্দর অসিনা মশামক পোন্বীখোক ভিলেজদগী ওইরিবা থোঙাম সনাতোম্বা (৩০) অপোকপা টি ঐচ ইবোচৌবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২৫৮ ওফ ২০১৯ খন্নরবা মতুংদা পীখিবনি।

কোর্টনা মেট্টর অসিগী ৱায়েল লিশাং শিংনা চথরকখিবদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল জি পুস্পানা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি ঐচ ভাসুমনা লেপখি।

কেস অসিগী অরোইবা হিয়ারিং এপ্রিল ২৭, ২০২১দা পাঙথোক্লবা মতুংদা মসিগী রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু থা অসিগী ১০দা লাউথোকখিবনি।

পিটিস্নর টি ঐচ সনাতোম্বনা কোর্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ২

হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহল্লু : সী পি এম

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

হৌজিক ষ্টেট অসিনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎনা নাহল্লকপগী চাং অসি মীপাইনীংঙাই ওইরবা ফীভমদা লাকপগা লোয়ননা লৈঙাক অমসুং লন্নাই হোস্পিটালশিং অনাবশিংনা পীক থল্লে হায়রদুনা সী পি আই (এম), মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী লৈঙাক্লা হোস্পিটালশিংদা মথৌ তাবা ওক্সিজেনশিং ফংহন্নবা প্রোভিজন অমা শেম্মু। লোয়ননা মণিপুর পূম্বদা লেম্না হীদাক কাপথোকপগী থবক চথবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দগী শেনফমশিংনা কোভিদ ভেক্সিন লৈবদা শীজিন্নগদবনি হায়রক্লি।

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯆꯥꯡꯗꯝꯅꯕ
হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***"মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা"*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াল্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা 'হুইয়েন লানপাউ'গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ট্বেল্‌ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা ***মে ৩১*** ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ

বি জে পিগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর টিকেন্দ্র লৈখিদবদা শগোলবন্দ মন্দলনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা পার্টি অসিগী শগোলবন্দ মন্দল অমদি বি জে পি মণিপুরগী স্পোক্সপর্সন ডা. কে ঐচ লোকেন, এক্স এম এল এনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবনা পার্টি অসিগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিং অমসুং বি জে পি মণিপুরবু মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনরম্বশিং কাউঙমদনা লৈহৌরগনি শিংথারদুনা মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিখিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, পার্টিগী লুচিংবা অসিনা লৈখিদবদা পার্টি অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এক্স য়ুনিয়ন মিনিষ্টর থৌনাওজম চাওবা, হৈরোক এ সীগী এম এল এ টি ঐচ রাধেশ্যাম, সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর টি ঐচ সৈত্যবর্ত, বি জে পি খাঙবোক মন্দল, নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ), লেফ্‌ট ফ্রন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি, মণিপুরগী মায়কৈদগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত, মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটি, লমলাই মন্দলগী লুচিংবা অমসুং ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচনচিংবা মীওইশিংগী মায়কৈদগীসু অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

BOOK NOW
BEST & AFFORDABLE
CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
Call the Cab at your Doorstep for a hassle free service to access your needs.
Also Available
- Tour Packages
- Picnic Packages
- Wedding Packages

Service Timing : 7 am to 7 pm

For Booking Call Now :
8258070746 / 9402267525
6909608909 / 6909967574
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor
HL-B/6949/27/4-25/5